# আইএলপিগী ইশু সরকারনা সেন্টরগী
# য়াকা য়েংনা থবক তৌবা নত্তনা উপাই লৈত্রে
# সিএম বঙ্গলো তম্না লাকপা রেল্লি পুলিসনা থুগায়খ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ১১:* লমদমসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিং লেপ্তুনা হায়জিল্লক্লিবসি থিংনবা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম চৎনহনগদবনি হায়না মীয়াম্না মায়কৈ কয়াদগী ঈহৌ চংশিনবা য়াওনা চত্থরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা সিস্টেম অসি চৎনহন্নবা চপ চাবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না অকনবা দাবী তৌরবসু সরকারনা সেন্টরগী য়াকা য়েংনা ৱারেপ লৌবা নত্তনা করিমত্তা উপাই লৈত্রে।

আইএলপি সিস্টেম চৎনবগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং ফমখিবা কেবিনেট মীফমনা ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমখিদ্রে। কেবিনেট অমসুং সিএলপি হায়না থংদোক থংজিন তৌনদুনা এসেমব্লি মীফম লোয়খিনবা মওংদা সরকারসিনা দিলেয়িং টেক্তিস চত্থদুনা লৈরে। মরকসিদা ঙসি নুমিদাং হৈরাঙ্গৈইথোংদগী সিএম বঙ্গলো তম্না ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহনগদবনি হায়না স্লোগান কয়াগা লোয়নননা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকখিবা রেল্লি পুলিসনা শিংজমৈ ত্রাফিক আইলেন্দদা থৎতুনা চংহনখিদ্রে। অয়ুক নুংথিলগী মতমদনা মফম কয়াদা আইএলপি দিমান্দ শৌগৎলদুনা পাক শন্না ধরনা অমসুং রেল্লি চৎখ্রে।

ঙসি চিফ মিনিষ্টর ওফিস সেক্রেটেরিয়েটতা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম অদুনা আইএলপিগী মতাংদা সেন্টরনা পীরকখিবা পাউখুম অদু পুথোক্তুনা খন্নখি। সেন্টরগী রেস্পোন্স অদু পোজিটিভ ওইনা লাক্তবনা মীয়ামগী ইশু অসি য়েংলগা আইএলপি অসি সরকারনা ষ্টেটসিদা চৎনহনবা পাল্লগসু হেক্তা চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌবা ঙমদবনা মতৌ করন্না সিস্টেম অসি ষ্টেটসিদা চৎনহনগদগে হায়বা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্নখি।

আইএলপি চৎনবগী মেরিট অমসুং দি মেরিট কয়া অদুসু পুথোক্তুনা নৈনবা য়াওনা মসি চৎনহনবা তারগদি করম্বা মওংদা চৎনহনগদগে অমসুং চৎনবা য়ানবা সেন্টরদগী করম্বা মওংদা অয়াবা লৌগদগে হায়বদু পুথোক্তুনা খন্নখি। অদুবু চপ চানা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌবা ঙমদবনা হয়েং সিএলপি মীফমদা খন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী সোর্স মতুংইন্নদি, সরকারনা আইএলপি চৎনবগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙম্বগী আশা উদ্রে। করিগুম্বা সিস্টেম অসি মণিপুরদা চৎনহনবা তারবদি পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস অমসুং লৱার হাউস অনিমক্কী অয়াবা লৌগদবনি। অদুবু সেন্টরনা হৌজিকমক্কী ওইনা মণিপুরদা আইএলপি সিস্টেম চৎনহন্নবা অয়াবা পীদবনা এসেমব্লি মীফম অসিদা আইএলপিগী ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমগনি হায়বগী আশা উদ্রে।

অমরোমদনা আইএলপি দিমান্দ শৌগৎতুনা ঙসি নুমিদাং মাইবম লৈকাই মৈরা পায়বী, হৈরাঙ্গৈইথোং মৈরা পায়বী, মোংশাঙ্গৈ মৈরা পায়বী য়াওনা মায়কৈ অদোমগী মৈরা পায়বী লুপ কয়ানা হৈরাঙ্গৈইথোং বজারদা পুল্লপ পুল্লবা মতুং সিএম বঙ্গলো তম্না মৈরাগী রেল্লি অমগা লোয়নননা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপশিং শিংজমৈ ত্রাফিক আইলেন্দ ময়াদা পুলিসনা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে। রেল্লি অদু পীশুমথোং লোমদা লাক্লগা কৈশামথোংলোমদা হায়গৎনবা হোৎনবদসু পুলিসনা পীশুম থোংখোংদা থিংদুনা চৎনহনখিদ্রে।